## অনৌবা সোফৱেয়র প্রোব্লেম থেংনরে

ৱাশিংটন, জুন ২৭ : বোইং ৭৩৭ এম এ এক্সতা অনৌবা সোফৱ্যের প্রোব্লেম অমসু থেংনরকপদগী এয়রক্রাফট মখল অসি সর্ভিসতা অমুক শীজিন্নবা হৌনবগী প্রোসেস মতম খরগসু চোঙ্থবা য়াবগী ফিভম লৈরে হায়না এয়রক্রাফট মেন্যুফেক্টচরিং জাইন্ট বোইং অমসুং য়ু এস ফেদরেল রেগ্যুলেটরশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

অনৌবা ইশ্যু অদুদা এয়রক্রাফট অদুগী মনুভরিং করেক্টরিষ্টিক্স ওগমেন্টেসন সিষ্টেম হায়না খঙনবা ফ্লাইট কন্ট্রোল সিষ্টেমগী হান্নগী অশোয়বা অদুদগী তোঙানবা সোফৱ্যেরগী অশোয়বা অমা য়াওই হায়না সোর্সশিংনা য়ুমশকৈশাগী অথেংবদা ফোঙদোকখি।

## ইরাক্না কনামত্তগী মীচং চঙলোই

লন্দন, জুন ২৭ : মিদল ইষ্টতা উংখৎনরিঙৈ ফিভম অসিদা ইরাক্না কনামত্তগী মীচং চঙলোই হায়না ইরাক্কী দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টরনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। হন্দক লমদম অসিদা উংখৎনবা হেনগৎলক্লিবা অসিদা ঐখোয়না অকক্নবা লৈবাকশিংগা মীচং চুংশিন্নবা নৎত্রগা অতোপ্পশিংগী মায়োক্তা শেম্বা এলাইয়েন্সতা য়াওইরোইহায়খি।

# য়ু এসকা ন্যুক্লিয়রগী ৱারী শান্নবদা খুৎ থিংজিল্লক্তনবা নোর্থ কোরিয়ানা সাউথ কোরিয়াদা ৱার্নিং তৌখ্রে



সিওল, জুন ২৭ (এজেন্সি):

কোরিয়া অনীগী মরক্তা ৱারী শান্নরি হায়বা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে-ইনগী ৱাফম য়ানিংদবা উৎপগা লোয়নননা নোর্থ কোরিয়ানা শগোলশেল নুমিত্তা প্যোংয়াং অমসুং ৱাশিংটনগী মরক্তা ন্যুক্লিয়রগী ৱারী শান্নবদা খুৎ থিংজিনবা লেপ্পনবা চেকশিন ৱা হায়খ্রে।

সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্টনা কোরিয়া অনীগী মরক্তা ৱারী শান্নরি হায়না থেংখাং কয়াদা ফোঙদোকখ্রবসু থাংঙৈশেংনা লৈরিবা ফিভমদি মহাক্না হায়রিবা ৱাফম অসিগী ওন্ন-তৈনবনি হায়না নোর্থ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী সিনিয়র ওফিসল কিৱোন জোং গুনগী ৱারোল পল্লদুনা ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি কে সী এন এনা ফোঙদোকখি।

ন্যুক্লিয়রগী ৱারী শান্নবা লেপ্পুনা লৈরিঙৈ মরক্তা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা সিওলদা থুংগদবা নুমিৎ খরনি মাওইননা সাউথ কোরিয়াগী থৌওংদা কন্না য়ানিংদবা উৎলদুনা ওফিসল অসিনা মখা তানা হায়খি মদুদি, সাউথ কোরিয়াগী ওথোরিটিজনা মীগী থবক থৌরমশিংদা য়েংশিনবগী মহুত্তা মশাগী ওইবা বিজিনেসতা ওইনা পুক্নিং চঙবনা ফগনি।

ৱাশিংটন্না প্যোংয়াংগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবশিং কোমথোরকপা মতমদা নোর্থ কোরিয়ানা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় অমত্তা লৈহন্দনবা করি করি খোঙথাংশিং থাজনিংঙাই ওইবা মওংদা লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদা য়ানদবদগী হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা ভিয়েটনামগী কেপিটেল হনোইদা ট্রম্প অমসুং নোর্থ কোরিয়ন লিদর কিম জে ং-উনগী মরক্তা পাঙথোকখিবা অনীশুবা সম্মিট ৱারোইশিন অমা পুরকপা ঙমদনা লোইশিনখিবদগী প্যোংয়াং অমসুং ৱাশিংটনগী নিগোসিএসন লেপ্পুনা লাকখিবনি।

লৈবাক অনীগী লুচিংবশিংগী মরক্তা চেবাউ করা থাদোক-থাজিন তৌনবদগী হেন্না নাকল অনীনা অমগা অমগা কন্টেক্ট তৌনবগী চাং নেমখি। সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে-ইননা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবা অমদা অহুমশুবা সম্মিট অমা পাঙথোকপা য়ানবগী ফিভমশিং লাংবা ওইনা য়ু এস অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী মরক্তা ফোঙনা নৎত্রবসু মনুংদা ৱারী শান্নরি হায়খিবনি। মরু ওইবা পাউচে অমগী ইন্টরভিয়ু অমদা প্রসিদেন্ট মুন্না সাউথ কোরিয়া অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী মরক্তা তোঙান তোঙানবা চেনেলশিংগী খুৎথাংদা দাইলোগ চথরি হায়নসু ফোঙদোকখিবনি।

তৌইগুম্বসুং নোর্থ কোরিয়াগী দিপার্টমেন্ট ওফ অমেরিকান এফ্যেরসকী দিরেক্টর-জেনরেলনা কোরিয়া অনীগী মরক্তা তোঙান তোঙানবা এক্সচেঞ্জশিং চথরি অমদি মীফম কয়া লোন্না পাঙথোক্লি হায়বা ৱাফম্বু শগোলশেল নুমিত্তা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

# টুনিজিয়াদা সুইসাইদ বোম্মর অনীগী এটেক্তা মীওই ১ শিরে, অতৈ কয়া শোক্লে




টুনিস, জুন ২৭ (এজেন্সি):

টুনিজিয়াগী কেপিটেল টুনিসতা শগোলশেল নুমিত্তা সুইসাইদ বোম্মর অনীনা পুলিসতা তোঙান-তোঙান্না চথখিবা বোমগী এটেক অনীদা পুলিস ওফিসর অমা শিরে অমসুং অতৈ মীওই কয়া অশোক-অপন নংলে হায়না গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

টুনিজিয়াগী মীখল পাঙথোক্কদবা থা খরগী মাওইননা চথরকখিবা এটেকশিং অদু কনাগী খুৎনো হায়বদু খুদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদে। লৈবাক অদুদা রেকোর্দ ওইবা মওংদা টুরিষ্ট মশিং য়াম্না লাক্কনি হায়না গভর্নমেন্টনা থাজবা থল্লিঙৈ টুরিষ্ট সিজনগী শ্বাইদগী মরু ওইবা মতমদসু এটেকশিং অদু চথরকখিবনি।

অহানবা এটেক অদু সেন্ট্রেল টুনিসকী চার্লস দে গাইয়ল ষ্ট্রিটতা পুলিস পেট্রোল অমদা টার্গেট তৌদুনা চথরকখিবনি। থৌদোক অদুদা পুলিস ওফিসর অমা শিখি অমসুং য়ামদ্রবদা পুলিস পর্সনেল ১ গা লোয়নননা মীচম অহুম অশেক-অপন নংখি হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি। অনীশুবা সুইসাইদ বোমর অদুনা অহানবগী এটেক অদুগী মতুং ঙাইহাক কান্নরগা অল-গোর্জানি দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা পুলিস ষ্টেসন অমগী মনাক্তা চথখি। এটেক অদুদনা মীওই ৪ অশোক-অপন নংখি হায়না মিনিষ্ট্রিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা ওক্তোবরদসু নুপী অমনা কেপিটেল টুনিসকী ময়াই থংবা শরুক্তা মশাদা য়াওবা এক্সপ্লোসিভশিং পোকখায়হন্দুনা চথখিবা এটেক অমদা পুলিস ওফিসর ১০ য়াওনা মীওই ১৫ অশোক-অপন নংখিবনি। কুমজা ২০১১ দা মীয়ামগী ইহৌ অমনা ওটোক্রেটিক লিদর জাইন অবিদিন অলিবু মফমদগী চিংথুখিবদগী অলজেরিয়াগী বোর্দরগা তায়নবা মনুং হঞ্জিনবা মফম খরদা টুনিজিয়ানা লালহৌবা গ্রুপ কয়া থেংনদুনা লাকখিবনি।

# য়ু এসনা অমুক হন্না বোর্দর লানশিল্লক্লবদি হেন্না কনবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না ইরান্না ৱার্নিং তৌখ্রে



দুবাই, জুন ২৭ (এজেন্সি):

করিগুম্বা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইরানগী বোর্দর খোঙ্গাওনবগী থৌওং অমুক হন্না চথরক্লবদি হান্নদগী হেন্না কনবা এক্সন লৌখৎলক্কনি হায়না শগোলশেল নুমিত্তা ইরিনিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী স্পীকর অলি লারিজানিনা ৱাশিংটনগী মায়োক্তা অকনবা চেকশিনৱা ফোঙদোকখ্রে।

টেহরান্না য়ু এস মিলিটরি দ্রোন অমা কাপথবদগী নাকল অনীগী মরক্তা লান অমা থাংঙৈশেংনা থোক্লকপা য়াবগী ফিভম অমা লাকখিবা মতুং চয়োল অমা কান্নরগা লারিজানিনা ৱাশিংটনদা ৱার্নিং অসি তৌখিবনি। মখোয়গী মিলিটরি দ্রোন অমা কাপথখিবগী খোঙথাং অদু মখোয়গী ওইনদি ঐখোয়গী বোর্দরবু থওইদবিদা অকন-অরিং শীংবগী থৌওং মখা তানা চথনিংদনবগী অফবা এক্সপিরিয়েন্স অমনি হায়না লারিজানিনা য়ুমশকৈশাগী অথেংবদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা সিমি-ওফিসল ন্যুজ এজেন্সি তাস্নিমগী পাউনা হায়খি।

লারিজানিনা মখা তারদুনা করিগুম্বা অমেরিকানশিংনা ইরানগী বোর্দর খোঙ্গাওনবগী অশোয়বা খোঙথাং অমুক হন্না চথরক্লবদি ইরানগী রিএক্সন হান্নদগী য়াম্না হেন্না কনগনি হায়খি। য়ু এস মিলিটরিগী দ্রোন অদু কাপথখিবগী মতাংদা ইরান্না অনমেন য়ু এস এয়রক্রাফট অদু ইরানগী এয়র স্পেসতা পাইশিল্লকখি হায়খিবদা ৱাশিংটন্নদি ৱাফম অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি।

ইরানগী এক্সন অদুগী লমন খুম্বা ওইবা ট্রম্পনা ইরানিয়ন টার্গেটশিংগী মায়োক্তা এয়রষ্ট্রাইক চথনবা ওর্দর তৌখ্রবসু এটেক অদুনা ইরানিয়ন কয়াগী পুন্সি লোমহনবা য়াই হায়রদুনা অরোইবা মীকুপ্তা ওর্দর অদু অমুক হন্দোকখিবনি। মালেমগী মফম কয়াদা লৈরিবা ইরিনিয়ন হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দর অমসুং গ্রুপ ১১৬ না মতম শাংনা য়েংথিনরকখিবা লৈবাক অনীগী মরক্তা মিলিটরি কনফ্লিক্ট অমা থোরকপা তারবদি মীশি-মীনা চাওনা থোকহনগনি হায়না চেকশিনৱা ফোঙদোকখ্রবনি।

# অরুবা ইশ্যু কয়া খন্ননবা অস্রফ ঘানি পাকিষ্টানদা থুংখ্রে

ইস্লাম্বাদ, জুন ২৭ (এজেন্সি):

অফঘানিষ্টানগী চহী ১৮ শুরক্লবা লান লোইশিন্নবগী মতাংদা খন্ননবা অফঘান ওপোজিসনশিংগী কনফরেন্স অমা পাকিষ্টান্না থৌবু ওইদুনা পাঙথোকখিবা মতুং চয়োল অমা ফাদ্রিঙৈ শগোলশেল নুমিত্তা অফঘান প্রসিদেন্ট অস্রফ ঘানিসু পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগা লৈবাক অনীগী ওইবা ৱাফমশিং য়াওনা মরু ওইবা ইশ্যু কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্ননবা পাকিষ্টানগী কেপিটেল ইস্লাম্বাদতা থুংখ্রে।



লৈবাক অনীগী মরক্তগা দেলিগেসন থাক্কী ৱারী শানদ্রিঙৈগী মমাংদা অস্রফ ঘানিবু প্রাইম মিনিষ্টর খান্না প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসল রেজিদেন্সতা গার্দ ওফ ওনরগী খুদোলগা লোয়নননা তরাম্না ওকখি।

কুমজা ২০১৪গী মীখলদা মায় পাকখিবদগী অফঘান প্রসিদেন্ট ঘানিনা পাকিষ্টানদা চৎপা অহুম্লক শুবা ওইরিবা খোঙচৎ অসি লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনরিঙৈগী মরক্তনি হায়না লৌনরি। প্রসিদেন্ট ঘানিনা পাকিষ্টানবু অফঘানিষ্টানগী মনুংগী ওইবা পোলিটিকেল ৱাথোক্তা খুৎ থিংজিল্লি হায়না মরাল শীখ্রবনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসি অফঘান পিছ প্রোসেস খুমাং চাওশিল্লকপগী মতমগসু চান্নরিবনি।

লাক্লিবা সেপ্তেম্বরদা মরু ওইবা মীখল অমা থেংনগদৌরিবা ঘানিনা হৌজিক ফাওবদা অফগান লালহৌবা গ্রুপ টলিবানগা হকথেংননা ৱারী শান্নদ্রি। টলিবান্না মহাক্কী গভর্নমেন্টপু য়ুনাইটেদ ষ্টেটগী হংলাইনি হায়না মরাল শীবগা লোয়নন মহাক্কী টিমগা ফমিন্নদুনা ৱারী শান্নবগী ৱাফম য়াদ্দুনা লাকখিবনি।

অমরোমদা টলিবান্না য়ু এসকী ওফিসলশিংগা হকথেংননা ৱারী রাউন্দ কয়া শান্নখ্রে অমদি মোস্কোদা অফঘান পোলিটিকেল ওপোজিসন লুচিংবশিংগা য়ামদ্রবা ৱারী রাউন্দ অমদি শান্নখ্রে। হৌজিক টলিবান অমসুং য়ু এস ওফিসল অনীমক্না মখোয় অফঘানিষ্টানদগী য়ু এসনা লুচিংবা নাটো ট্রুপশিং লৌথোকপগী মতমগী মতাংদা অমদি অফঘানিষ্টানবু খুৎলায় পায়বা গ্রুপশিংনা য়ু এস অমসুং মসিগী মীচংশিংদা টার্গেট তৌদনবগী ষ্ট্রকচরশিংগী মতাংদা য়ানবা অমা পুরকপা য়ানা লৈরে হায়রিবনি। হৌখিবা চয়োলদা পাকিষ্টানগী চীংগী টাউন ভুর্বানদা অফঘান ওপোজিসন লুচিংবশিংগী মরু ওইবা কনফরেন্স অমা পাঙথোকখ্রবনি।

# ‘ওপোজিসনগী কূগী খুজিল-থৌরাং অরেম্বা তাহনখি’



করাকস, জুন ২৭ (এজেন্সি):

ওপোজিসন্না কূ পাঙথোক্লবা হোৎনখিবা অমা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা অরেম্বা তাহনখি হায়বা ভেনিজ্যুএলাগী প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট মাদুরোগী মতুং ইন্না ওপোজিসনগী কুগী থৌরাং অদুদা মহাক অমসুং অতৈ মরু ওইবা পোলিটিকেল লিদরশিং হাৎনবগী অমসুং জেলদা থল্লিবা মিলিটরি ওফিসর অমবু প্রসিদেন্ট ওইহনবগী থৌরাংশিং য়াওই হায়রি।

সাউথ অমেরিকাগী লৈবাক অসিদা শেল-থুমগী থবক থৌরাং পুম্নমক ফেল ওইখিবদগী চান-থক্লবা পোৎলমশিং অমসুং হীদাক-লাংথক লৈশিল্লক্তবা অমদি মফম কয়াদা লৌনগনবা লায়না কয়া পাক শন্না শন্দোরকখিবগা লোয়নননা লৈবাক অসিগী মীওই কয়া মেক্সিকো অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা চেন্নখ্রবনি। ওপোজিসন লুচিংবা জুৱান গুৱাইদোনা প্রসিদেন্ট মাদুরোগী ৱা তাদনবা তৎতনা আপিল তৌদুনা লাক্লবসু লৈবাক অসিগী আর্মদ ফোর্সেসনা রুলিং সোসলিষ্ট পার্টিকী মায়কৈদা মখা তানা লেপ্পুনা লৈরি। ভেনিজ্যুএলান সোসাইটি অমসুং ভেনিজ্যুলান দিমোক্রেসিগী মায়োক্তা কূ অমা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌখিবা টেররিষ্ট খুৎপু অমগী থৌওংশিং ঐখোয়না মতম চানা খঙলকখিবগা লোয়নননা মখোয়গী থৌওংশিং অরেম্বা তাহনখ্রে অমদি মখোয়বু ফারে হায়না প্রসিদেন্ট মাদুরোনা য়ুমশকৈশাগী নুমিদাংদা মীয়ামদা ৱা ঙাঙবদা ফোঙদোকখিবনি।

প্রসিদেন্ট মাদুরোনা পল্লিবা ওপোজিসনগী থৌরাং অদুদা সোসলিষ্ট পার্টিগা য়ান্নরক্তবদগী কুমজা ২০১৯ দা করপসনগী মরালদা ফাদুনা জেলদা থল্লিবা হান্নগী দিফেন্স মিনিষ্টর জেনরেল রাওল বদুএলবু থাদোক্লবা সেবিন ইন্টলিজেন্স এজেন্সিগী হেদক্কার্টরসতা এটেক অমা চথবগী থৌরাং য়াওই হায়রি।

থৌরাং অদুদা ওপোজিসনগী লুচিংবা গুৱাইদো অমদি চিলৈ, কলম্বিয়া অমসু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী পোলিটিকেল কয়াসু চেন্নখি হায়না মাদুরোদা ফোঙদোকখি। অমরোমদা, জুৱান গুৱাইদোনদি মাদুরোগী মরাল শীবা ৱাফমশিং অসিবু মীনম্বা ঙাক্তনি হায়রি। হৌখিবা জন্যুৱারিদা কন্সটিট্যুসনগী চৎন-পথাপ অমগী মতুং ইন্না লৈবাক অদুগী লোনা য়াবা ইন্টরিম প্রসিদেন্টনি হায়না লাউথোকচখিবা গুৱাইদোনা অমর্দ ফোর্সসতা মাদুরোবু চিংথুনবা আপিল তৌখিবনি।

# সিরিয়াগী পিছ প্রোসেস থুজিনবা য়ানবা য়ু এননা য়ু এস অমদি রসিয়াগী মরক্তা ৱাখল তানহনবা পাম্লি

জিনিভা, জুন ২৭ (এজেন্সি):

সিরিয়াগী পিছ প্রোসেস খুমাঙ চাওশিনহন্নবা হোৎনবদা রসিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরক্তা হেন্না মপুং ফাবা ৱাখল তামিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না য়ু এনগী সিরিয়া এনভোই গাইয়র পেদরসেন্না ইন্টরভিয়ু অমদা ফোঙদোকখ্রে।




মীওই লিশিং চা কয়া শিহনখিবগা লোয়নননা য়াম্লবা রেফ্যুজিশিং পাক চাওরবা ঈশিং ঈপাক লান্না চেন্নখিবা সিরিয়াগী চহী ৮ শুরবা লান য়ু এনগী মমাংদা লৈখিবা এনভোইশিংনা লেপহনবা ঙমখিদবনি। সিরিয়াগী লান লেপহন্নবগী থৌদা শীন্নবা মরিশুবা মীশক ওইরিবা পেদরসেন্না সিরিয়াগী কন্সটিট্যুসন শেমদোকপগী থৌরাং য়েংশিন্নবগী কম্মিটি অমা শেম্নবা হোৎনরি। মমাংদা হান্নগী য়ু এন সেক্রেটরি-জেনরেল কোফি অন্নাননা কুমজা ২০১২ তা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসেনল কনফরেন্স অমদা পিছ এগ্রীমেন্ট অমা পুরক্লবা হোৎনখিবা অদুগা চাংদম্নবদা পেদরসেনগী থৌরাং অসি অচৌবা খোঙথাং অমনি হায়না লৌনবদি লৈতে।

জিনিভাদা বেজ তৌবা সেন্টর ফোর হ্যুমেনিটরিয়ন দাইলোগনা ফোঙখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা পেদরসেন্না হায়খি মদুদি, হৌজিক শেম্নবা হোৎনরিবা কন্সটিট্যুস্নেল কম্মিটি অসিদা থোইদোক্না অহোংবা চাওনা লৈহনবগী থৌরাংদি য়াওদে। তৌইগুম্বসুং পোলিটিকেলগী অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়নননা নীংথিনা হেন্দল তৌরবদি মসিনা হেন্না চাওবা পোলিটিকেল প্রোসেস অমা লাকপা য়ানবগী লম্বী ফাৎকনি।

কন্সটিট্যুস্নেল কম্মিটিগী মীফমদা মরু ওইবা প্লেয়র কয়া য়াওহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লদুনা পেদরসেন্না হায়খি মদুদি, কম্মিটি অদুদা মরু ওইনা য়াওহন্নিংলিবদি য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী পার্মিনেন্ট মেম্বর ৫ অমদি সিরিয়াগী ৱাথোক্তা পোলিটিকেল্লি এক্টিভ ওইরকপা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী গ্রুপ ২দা য়াওরিবশিং হায়বদি নাকল অমদা ইরান, টর্কি অমসুং রসিয়া অমদি নাকল অমদনা ইজিপ, জর্মনি, জোর্দান, সাউদি অরাবিয়া, ফ্রান্স, বৃটেন অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অসিনি।

# ইন্দিয়ানা টারিফ হেনগৎপা য়াফম থোক্তে : ট্রম্প

ওসাকা, জুন ২৭ (এজেন্সি):

অমেরিকাগী পোথোকশিংদা ইন্দিয়ানা টারিফ হেনগৎপগী থৌওং য়ানিংঙাই ওইদে হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে অমসুং অহেনবা টারিফশিং লৌথোক্লবা দিমান্দ তৌখ্রে।



ইন্দিয়ানা চহী কয়ামুক য়ু এসকী পোথোকশিংদা টারিফ কা হেন্না ৱাংনা লৌদুনা লাকখিবা মতুং হন্দক্তসু মখা তানা টারিফ হেনগৎখিবগী ফিভম অসিদা ঐহাক্না ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা ৱারী শান্নবগী তঞ্জা ঙাইদুনা লৈরি হায়না জপানগী ওসাকাদা পাঙথোক্কদৌরিবা জি২০ সম্মিটকী মাওইননা প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না মমাংদগী হৌনা য়ু এসনা ইন্দিয়াদা পীরম্বা লল্লোন-ইতিক্কী খুদোংচাবা কয়া লৌথোকখিবা মতুং হৌখিবা জুন ১৫ দা ইন্দিয়ন গভর্নমেন্টনা য়ু এসতগী পুশিল্লকপা হৈ-রাশিং য়াওনা তোঙান তোঙানা আইটেমশিংদা কষ্টম দ্যুটি হেনগৎহনখিবনি। য়ু এসকী তোঙান তোঙানবা পোৎ-চৈ কয়াদা দ্যুটি হেনগৎহনবগী খোঙথাং অসি জুন ১৬ তগী চৎনহনখ্রবনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হান্না পীরম্বা জেনরেলাইজ সিষ্টেম ওফ প্রিফরেন্সেস (জি এস পি)গী বেনিফিটশিং হন্দোকখিবা মতুংদা খোঙথাং অসিগী মায়োক্তা লমন খুম্বা ওইনা ইন্দিয়ানা য়ু এসতগী পুশিল্লকপা পোৎ-চৈ কয়াদা দ্যুটি হেনগৎপগী খোঙথাং অসি লৌখৎখিবনি।

অমরোমদা, প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা জি২০ সম্মিটকী নাকোয়ননা থাংজ নুমিত্তা ওসাকাদা চাইনিজ প্রসিদেন্ট সী জিনপিংগা অয়ুক পুং ১১দা উনরগনি হায়না হ্বাইট হাউসকী স্পোক্সমেন অমনা য়ুমশকৈশগী অথেংবদা ফোঙদোকখ্রে। লুচিংবা অনীগী মীফম অদুদা য়ু এসনা চাইনাগী কঞ্জুমর পোৎ-চৈশিং অতৈ আইটেম কয়াদা অহেনবা টারিফ কয়া লাউথোকখিবগী ৱাফম্না মরু ওইনা খন্নরবা য়াই হায়না থাজনরি।

লুচিংবা অনীগী মীফম অসি জপান্না থৌবু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা জি২০ সম্মিট অসিদা শ্বাইদগী মরু ওইনা য়েংনগদৌরিবা থৌদোক অমনি হায়না লৌনরি।

# সাইবেরিয়াদা রসিয়ন প্লেন কায়বদা ২ শিরে, ৭ শোক্লে

মোস্কো, জুন ২৭ (এজেন্সি):

সাইবেরিয়াদা লৈবা রসিয়াগী বুর্য়াটিয়া রিজনগী এয়রপোর্ট অমদা শগোলশেল নুমিত্তা এন্টোনোভ এন-২৪ পেসেঞ্জর প্লেন অমা ইমর্জেন্সি লেন্দিং তৌবদা কায়দুনা মীওই ২ শিখ্রে অমসুং অতৈ ৭ না অশোক-অপন নংলে হায়না মফম অদুগী ইমর্জেন্সি মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।



কূ মেম্বর মঙা য়াওনা মীওই ৪৮ তোংলকখিবা প্লেন অদু লেন্দিং মতুংদা রেনৱেদদগী হেন্দোক্না চেন্দুনা বিল্ডিং মচা অমদা য়ৈশিন্দুনা মৈ চাকখিবনি হায়না রিজনেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদু এয়রক্রাফট অদুনা রিজনেল কেপিটেল উলান-উদেদগী নিঝহনেএগার্দস্ক তম্না পাইরকখিবদা থোকখিবনি। প্লেন অদুগী এঞ্জিনশিংগী মনুংদা অমা ফেল ওইদুনা নিঝহনেএগার্সস্কতা তঙাইফদনা প্লেন অদু ইমর্জেন্সি লেন্দিং তৌখিবনি হায়না রিজনেল ওথোরিটিশিংনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

প্লেন অদুগী থোঙনাও অমদগী পেসেঞ্জর অমনা লৌখিবা ভিদিও অমদা এয়রক্রাফট অদুনা রেনৱেদা শাফু কন্না তাশিল্লবা মতুংদা রেনৱেদুদগী ফিল্ড অমদা হায়দোকখিবা অমদি খঙহৌদনা খঙলেপ লেপখিবগী শক্তম উবা ফংখি। এক্সদেন্ট অদুদা পাইলোট অমগা টেক্নিসিয়ন অমগা শিরে, তৌইগুম্বসুং পেসেঞ্জর পুম্নমক প্লেন অদু মৈ চাক্তুনা অমাঙ-অতা থোক্ত্রিঙৈগী মাংওইননা অশোয় অঙাম য়াওদনা হোন্দোকহৌরে হায়না রিজনেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি। মিদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না ফ্লাইট অদু রসিয়ন রিজনেল এয়রলাইন এঙ্গারানা ওপরেট তৌবনি হায়রি।